# রেবিজ - ঐখোয়না করি তৌবা য়াই

**ডা. সরাংথেম জেসমারানি**

রেবিজ হায়রিবা লায়না মখলসি শাদগী মীদা শন্দোরকপা ঙন্থা রেবদো ভাইরসনা থোকহনবা মখল অমনি। যূমদা লোয়রিবা হুইদা হায়রিবা ভাইরস অসি মশাদা তুংদুনা লৈ, মসিদা ফজনা লায়েংবীহৌদ্রগদি মসিগী ভাইরস অসিনা চাদা ১৫ গী মথক্তা মীওইবদা শন্দোরক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওহল্লি। রেবিজগী লায়নাসি খুঙ্গংগা সহরগা চাংদম্নবদা খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিংদনা খরা হেন্না খুদোংথিবা নংই। মসিগী খ্বাইদগী চাউবা মরমদি এৱ্যোর্নেস ৱাৎপদগীনি।

ৱার্ম ব্লদেদ এনিমেল হায়বদি অশাবা ঈ চেনবা জিব পানবা খুদিংমক রেবিজ হায়রিবা লায়না অসি নাবা য়াই। খ্বাইদগী মরুওইনা মশাদা মতু চেন্থ্রা মমাগী খোম থকপা যূমশা অমদি লমলক্কী শা পূম্নমক্তা লায়না অসি থোকহল্লি। শেকপী অমদি খৈরোই অচৌবা শাশিং অসিদা তশেংনা মহীক অসিনা লায়না থোকহনবমক ঙমদ্রবসু হায়রিবা শাশিং অসিনা লায়না অসিগী মহীকশিং পুদুনা লৈগল্লি। লায়না অসিগী মহীকশিং অসিনা চঙ্খ্রবা হুই, হৌদোং যূমশা অমদি অতৈ লমলক্কী শাশিংগী শীংলি নাওরি অমদি থোপকী মশা মরেংশিংদা লৈদুনা মচা পোকশিল্লি অমদি মমৈদা মখোয়না লৈরিবা শীংলি নাওরি পূম্নমক থুগাইদুনা শাথিরবা অঙাওবগী লায়নাসি উংথোরকই। লায়না অসিদগী নারবা যূমশাশিংগী মতিন, ময়ুং, ঈ, শঙ্গোম অমদি হকচাংদগী থোরকপা মহীক খুদিংমক্তা মহীক অসি য়াওরকই। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি লায়না অসি মী অমদি অতৈ যূমশাশিং হায়বদি ষণ, শগোল, ইরোই, হামেংনচিংবা যূমশাশিংদা শন্দোরকপগী লম্বীদি লায়না অসিদগী নারবা হুই নৎত্রগা হৌদোংনা চিকখিবা অসিনি। লায়না অসিদগী নারবা হুই হৌদোংনা চিকখিবা মতমদা মখোয়গী মতিন্নচিংবদা য়াওরকপা লায়না অসিগী মহীকশিং অদু চিকফম অদুদগী চঙলক্তুনা লায়না অসি অমুক থোকহল্লি।

কুমজা ১৯৬৬, দল্লিয়ু ঐচ ওগী মতুং ইন্না রেবিজ অসি মখল অনী থোকই।

**ক) সিলব্যাটিজ রেবিজ** - লায়না অসি জঙ্গল নৎত্রগা লমলক্তা লৈবা শাশিংগী মরক্তা অদুমক মখোয় মশেল চিন্নবা অমদি অমনা অমবু চাথোক্নবদগী হায়রিবা লমলক্কী শাশিং অদুদা অদুমক লৈ। মসিবু ঐখোয়না সিলব্যাটিজ রেবিজ হায়না খঙনৈ।

**খ) অর্বান রেবিজ** - লমলক্তা লৈবা রেবিজগী মহীক চেল্লবা শাশিংনা মনাক নকপা খুলশিংদা কুমথরক্তুনা যূমশাশিংদা চিন্নবা নৎত্রগা যূমশাশিং অদুনা শজিক চাবা অমদি মচিঞাক থিবা চৎলুবদা লমলক্কী শাশিংনা চিকখবা য়াওখিবদগী সিলব্যাটিগা রেবিজ অসি মখা তনা মীওইবা অমদি অতৈ যূমশাশিংদা অমুক মথং মথং শন্দারকই। মসিবু ঐখোয়না অর্বান রেবিজ হায়না খঙনৈ। মরম অসিদগী হায়রিবা লায়না অসি অর্বান এরিয়াদা মথং মথং হুই নৎত্রগা হৌদোংনা চিকখিবদগী মী অমদি অতৈ যূমশাশিংদা মথং মথং পাক শন্না শন্দোরকই।

**লায়না অসিগী লায়ওংশিং** - রেবিজ লায়ওংসি চিকখ্রবা মতুংদা য়াম্না থুনা ফোঙদোরক্তে অদুবু হুইনা নৎত্রগা অতোপ্পা শানা চিকখ্রগদি পুং ৪৮ গী মনুংদা টিকা থাদোকপনা লায়না অসিদগী অরায়বা মওংদা কনবা ঙম্মী। করিগুম্বা টিকা থাবিহৌদ্রগদি থা ১ দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা রেবিজকী লায়েংসি ফোঙদোরকই। অদুম ওইনমক করিগুম্বা মতমদসু হাপ্তা অমগী মনুংদা নৎত্রগা চহী ৬ কী মনুংদা থোরকপগী কেসসু থেংনবা য়াওই। লায়না অসিনা লায়ওং থোকহন্দ্রিঙৈদা রেবিজ মচা ভাইরস অসিনা ব্রেনগী সেন্ত্রেল নার্বস সিষ্টেমদা য়ৌরবা মতুংদা লায়ওংসি থোকহল্লি। অতোপ্পা অমনা লায়ওং উংথোরকপগী মতমসিসু চিকপা মফমদগী ব্রেন য়ৌবগী লম্বীগী অরাপ্পগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। ভাইরস অসিনা ব্রেন য়ৌবা মতমদা ভাইরস অসি রেপ্লিকেসন তৌদুনা মশীং য়াল্লক্লগা রেবিজগী লায়ওংসি ফোঙদোরকই।

লায়না অসিগী লায়ওংশিং অসি ঐখোয়না মখল অনী থোক্না উবা য়াই। মখোয় অদুদি - (ক) য়াম্না শাথিবা মওং (ফিউরিয়স ফোর্ম) (খ) পংথদুনা লৈবা অতপ্পা মওং (ডম/প্যার্যালাইটিক ফোর্ম)

**(ক) ফিউরিয়স ফোর্ম** - ফিউরিয়স ফোর্মদা লৈবা রেবিজগী লায়ওং খরা হায়রগদি-

- পাখৎপা/ইরাং লাঙবা
- য়াম্না শাওগনবা/অফংবা পোৎ চিক্লিংবগী মওং
- পূক্লিং লাংতক্নবা
- লৈফম চাফম খঙদবা
- খোঙবগী মখোল ওল্লকপা
- কিগন্দবা
- খোইরাঙ খোইশাওনবা
- তীন য়াম্না তাবা
- ঈশিং উবদা কিবগী মওং/পামদবগী মওং
- করিগুম্বা পোৎশক অমা খনাউদা পনবা নৎত্রগা য়োৎশিনবা ঙমদবগী মওং মানবা
- মীৎ নহা অনী লাউথোক্লা লৈবা
- মসলশিং মথৌ তৌরক্তবা
- চৎপা মতমদা ফজনা নীংথিনা চৎলক্তবা, খোঙথাং শোয়রকপা
- হকচাং পূম্বা পঙথ-শিথরকপা

লায়ওং ময়ামসি উৎলবা মতুংদা অরোইবা ওইনা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা শিগল্লি।

**খ) ডম ফোর্ম** - করিগুম্বা মতমদা লায়না অসি নারবা মতুংদা লায়না অসিগী লায়ওং উংথোরক্তুনা লৈবা অদুবু ডম ফোর্ম রেবিজ হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লায়নাসি নারগা লায়ওং খরদি উবা ফংই। মখোয় অদুদি

- যূমগী মীওইশিংগা তোৎন-তিন্ননীংদবা
- চানিং থক্লিংদবা
- তুরোই ঙাল্লোই তৌদুনা অইংবা মফম থিদুনা লৈনিংবা
- তুদুনা চাবা থকপা ঙমদবা
- মমৈদা অরোইবা ওইনা শিবা

**লায়ওং খুদিংমক রেবিজ ওইগনি হায়বা লৈবরা?**

মসিগী পাউখুমদি লৈতে। করিগুম্বা মতমদা য়োৎপা ঙমদবদগী তীন মরাং কায়না তারগদি খনাউদা পোৎ পনবা ওইবসু য়াই। মসি নৎত্রগা হু চেনবা পোৎশক চারগসু হায়রিবা লায়ওংসি থেংনগনি। করিগুম্বা মতমদা হুইনা তোয়না খোঙবা থেংনরগদি মসিসু চাক লাম্বা নৎত্রগা কিবা নৎত্রগা অনাবা খাঙবা ঙমদবদগীসু ওইবা য়াই। করিগুম্বা হুইনা কিবা, জ্ঞান তাদবদগীসু ঙাওচৎনবা থেংনবসু য়াওদবা নত্তে।

অসিগুম্বা চিংনরপ তৌবা লায়ওং কয়া অসি উরগদি নারিবা হুই হৌদোং অমদি অতৈ যূমশাশিংদু ফাজিন পুনশিন্দুনা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০ নি ফাওবা থন্বীগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা করিগুম্বা শিবা থোক্লবদি মনাক নকপা দিসপেন্সরি/হোস্পিটালদা চৎতুনা ডোক্তরশিংগা তানবীদুনা মখা তাবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খঙদোকমিন্নগনি।

**করিগুম্বা হুইনা চিকপা নৎত্রগা খোৎপা তারগদি ঐখোয়না করি তৌবা তাই ?**

- অহানবদা ঐখোয়না শোক্লিবা মফমদু শাবোন নৎত্রগা ঈশিংনা নিংথিনা হুইগী মতীনদু ফজনা শেংদোকপীগনি।
- শোক্লিবা মফমদু ঈ ফজনা থোক্তগাদি হেন্না ঈ থোকখিনবা হোৎনবীয়ু। মসিনা মহীকশিংদু চৎখিবা ঙমগনি।
- শোক্লবা মফমদু ফোৎপীরোইদবনি। মসিনা ভাইরসতুনা নর্ভতা চঙবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ।
- শোক্লিবা মফমদু সাপোন অমদি ঈশিংনা চামথোক্লবা তুংদা প্রাভিদন আইওদিন চাদা ১ নৎত্রগা অলকোহোল চাদা ৭০ না অমুক চামথোকপীগনি।
- লোকেলগী হীদাকশিং হায়বদি মোরোক পাউদর, মচু, চেঙ শাইরগা থোম্বা অমদি অতৈ পোৎলমশিং হাপ্পীরোইদবনি।
- মনাক নকপা দিসপেন্সরি/হোস্পিটালদা চৎপীদুনা এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন তৌবীয়ু।

রেবিজ নারবা হুই উরগদি ঐনা করি তৌবা তাই?

- হুইগী মনাক্তা য়ারিবমখৈ চঙবীরোইদবনি অমদি থওই উশিৎতবা তৌদুনা শাওহনবীরোইদবনি।
- নূং নৎত্রগা চৈ লংশিনবীরোইদবনি।
- মী ওমশিন্দুনা হুইদুগী মনাক্তা লৈবীরোইদবনি। মসিনা হুইদুদা হেন্না চরাংনবা অমা পোকহল্লি।
- মনাক নকপা এনিমেল কন্ত্রোল এজেন্সি, এনিমেল ৱেলফেয়র ওর্গেনাইজেসন, ভেটিরিনরি সার্ভিস, পুলিস দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা পব্লিক হেলথ ওথোরিটিশিংদা পাউ তাক্তুনা য়েংশিনহনবীগনি।
- য়ারিবমখৈ হুইদু চেন্থোক্তনবা লাপ্পা শেন্নরগা ওথোরিটিগী মী লাক্ত্রি ফাওবা য়েংশিনবীগনি।

**রেবিজ কন্ত্রোল তৌনবা করি পায়খৎপা য়াই?**

- ইশা ইশাগী হুইশিং মতম চানা এন্টি রেবিজকী টিকা থাদোকপীগদবনি। মসিনা ইশাগী হুইশিং রেবিজ নাবদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা অতোপ্পা রেবিজ নাবা হুইনা চিন্নবসু মহীক চঙবা ঙমহন্দে।
- মপু লৈতবা হুই হৌদোংশিং এনিমেল ওথোরিটিশিংদা শীন্নবিয়ু।
- ইশাগী হুইশিং য়ারিবমখৈ লাপ্পা অমদি লৈরক-খুল্লক্তা চথোকহন্দনবা হোৎনবীয়ু।
- মপু মশক খঙদবা হুইশিং ইশাগী হুইশিংগা তোৎন-তিন্নহনবীরোইদবনি অমদি য়ারিবমখৈ ফাদুনা হাৎতোকপীরোইদবনি।
- করিগুম্বা মতমদা হুইনা মশাগী হান্নগী মওং মতৌ হোংলকপা উরকপা ওইরগদি মনাক নকপা হোস্পিটাল/দিসপেন্সনরিদা চৎপীয়ু।

মীওইবগা খ্বাইদগী নক্লবা শাসি হুইনি। ইমুংদুগী মীওই অমগুম য়েংশিনবীবা লোয়নবীবা হায়বসি ঐখোয়বুসু ঙাক শেল্লিবা জিবদুদা উৎফম থোকপা থকসি-খাসিনি। মরম অসিনা মতম চানা টিকা থাদোকপীবা অমদি মশক খঙদবা হুই হাৎতোক্লগা চাবিবা অসি খক তৌবিরোইদবনি। ●

# মণিপুরগী বার এসোসিএসন, সিনিয়র এদভোকেটশিং, জপান ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন, সী এস ওশিং, মৈরা পায়বী অমদি ক্লব, ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি

**রোমিও য়ূম্নাম**

মে ৩, ২০২৩দগী কুকিশিংনা লান তারক্তুনা ইরমদম অসি য়াম্না নুংঙাইতবা লমদম অমা ওইরক্লি। কুকিশিংনা করিদগী লান তারক্লিবনো হায়বগী মরমদা থোইদোক্লা নৈনরুবগী মতম নৎত্রে। মরমদি মসিগী মরমদা মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবনি। পার্লিয়ামেন্টতা লান অসিগী মতাংদা ওপোজিসন অমদি রুলিং অনীমক কন্না লাউনখ্রে। থোইদোকপা কান্নবদি লৈতে খল্লি। কুকিগী মীচংদা চংগনি হায়দুনা চঙ-খ্রবনিনা লাউজরুবা, খোংজরুবা খুদিংমক অঙাওবগী চোইরোল তাদুনা তোক্লে। বার এসোসিএসন্না সুপ্রিম কোর্টতা তৌখিবা কেস অদুনা করম তৌখ্রবনো হায়ফম খঙদে। লানলকসিদা লাঞ্জেন্নরিবশিংগী মতেং পাংবদা মণিপুরদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীপূম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্নরি। লান থেংনরিবা কাঙলূপ খরা অমনা লানগী মরী লৈনবা খূৎলাই লৈনবা অনা অয়েক মতেং পাংনবা হোৎনবদা ইরু ইরা তাক্লবা হায়বদু ওইরক্লি। অদুবু কুকিনদি ঙমহল্লরোইসি হায়বা খোল্লাও অমগা লোয়ননা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি ইরমদমসিগী থৌনা ফৱবা ইরৈচাশিং। অদুবু ইরমদমসিগী পুকচেল পীক্লবা শেলনা মরেপ থুম্বা মখৈ পায়রবা ইনাকখুনবা ফমজাও পায়বা মীওই খরদি করিসু নাচুংদনা সিকি অমফাওবা মতেং পাংদনা মুকখাইরগা করিসু খঙজিন্নদবা শাদুনা তূমিন্না লৈথোকপা য়াওরি।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি মালেম অসিদা লৈরিবা লৈবাক অমদা অৱা-অনা তারবা মতমদা য়ু এস এনা মতেং হেক্তা পাংই। মরম অসিনা য়ু এস এ অসি মালেমগী পুলিসনি হায়নরিবনি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা য়ু এস এগী এম্বেসেদরনা মতেং পাংবীয়ু হায়জরক্লগাদি য়ু এস এনা মতেং পীদুনা লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনজগে হায়খিবসু লৈখ্রে। অদুবু ইন্দিয়ন গবর্ণমেন্টকীদি লান থোকহল্লগা নোর্থ ইষ্ট অসি চাওখৎতনবা শিনবা মানবগী মওং অমদা লৈবনিনা য়ু এস এদা হায়জগনি হায়বা থাজদে। নীংশিংজনীংলিবদি য়ু এস এদা মণিপুরগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মতিক চারবা মীওই কয়া অমা থবক তৌদুনা লৈরিবনি। য়ু এস এনা লৌশিনখিবা মীওই হায়বসিদবু মফম মফমদুগী খ্বাইদগী হেন্না ফৱবা মীওইদু ঙাক্তা খল্লগা লৌশিনখিবনি। মখোয়দা থবক তৌদুনা লৈরিবশিংগী মনুংদা সাইন্টিষ্ট কয়া, ডাক্তর কয়া, ইঞ্জিনিয়র কয়া য়াওরি। মখোয়নদি য়ু এস এগী প্রসিদেন্টতা হায়জদুনা মণিপুর অৱাবা তারে, মতেং পাংবীয়ু, শান্তিদা হঞ্জিনহনবীয়ু হায়বদি য়াদবজাৎলা? মতম অমগী সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা জপান্দা য়ু এস এনা এটোম বোম থাদদুনা জপানননা লানদা মায়থীরবদা মণিপুরদা লৈহৌরিবা জপানগী লান্মীশিং মণিপুরীশিংনা পীজ-পীথক তৌদুনা থৱায় কনবীখি হায়। জপানসু মদুগী লমন শিংবা ওইনা জপান ৱার মেমোরিএল হোস্পিটাল অমা শাজগে হায়খি। অদুবু মণিপুর গবর্ণমেন্টনা মতিক চাবা মফম চাবা লম পীদবদগী তোকথোকখ্রে। হৌজিক মীতৈ অৱাবা তারে। জপান ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসননা জপান্দা চৎতুনা মণিপুর অৱাবা তারে, য়ু এন ও অমদি ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টতা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা প্রেসর তৌবীনবা হায়জবদি য়াদবজাৎলা? হৌখ্রবা মণিপুরগী পুৱারী অমদা ইনিংথৌ খাগেম্বনা পানবা মতমদা চাইনাদা মোইদানা কৌবা হিংচাবা অমনা নুমিৎ খুদিংগী মী অমমম চাদুনা চাইনা লৈবাকপু ওৎপা নৈবা তৌরক্লবদা খাঙবা ঙমদদুনা চাইনানা মীতৈ নিংথৌদা হায়জরক্তুনা মোইদানা অসি নহাক্কী লৈবাক্তা থাজরক্কে খরা হাৎতোকপীয়ু হায়জরকখি। খাগেম্বনসু য়াদুনা মোইদানা মণিপুরদা লাকখি। খাগেম্বনা ইবুধৌ পাখংববু নীংজদুনা খূৎলায় পীবিয়ু নীবদগী থাঙ খৌরোম্বা অমদি তা পীরক্তুনা মোইদানা হিংচাববু হাৎখি। হৌজিকসু মাগী ৱারী পূম্বা চাইনাগী হিষ্ট্রিদা শোয়দনা ইদুনা লৈরমগনি। মরম অসিনা মীতৈগী ইন্টলেকচুএলশিংনা চাইনাদা চৎতুনা শান্তি হঞ্জিন্নবগীদমক চাইনাগী মতেং নীবদি য়াদবজাৎলা? মণিপুরগীদমক মণিপুরগী ৱাংমদা ঙাঙলিবা শক্লিবা মীওই অসি থৌনাওজম মহেশ্বর, বৃন্দা অমসুং ওজা বিমোল অমদি অসাং কাসার মখোয় মরিসি খক্তা ঙাইরে। মখোয় অসি নত্তবা লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়া অমা এম এল এ ৪০ অমদি এম পি ২ মখোয় অসিদি ঙাঙবা শকপগা অমত্তা হৈত্রবা জাৎলা?

কুকিশিংনা ফত্তবসিদি হায়বগী লোইবা নাইরোই। ঐখোয়গী হিষ্ট্রি অসি মখোয়না শেম্লিংবা মওংদা পংশেমদা শেমদোক শাদোক্লি। কংলাদগী অসাম রাইফলস তাম্থোক্লবা হোৎনবদা মতমদুগী অসাম রাইফলসকী মমাংদা ঐখোয়বুসু ঈজৎ লৌবীরো হায়দুনা চঙখিবা খোঙজং অদুবু মীতৈ নুপীদি নেকেন্দ য়াম্না ওইগনবা কাঙবুনি হায়দুনা ইথোকপা ঙম্মী। মসিদা নত্তনা মখোয়না হেক লৈখিবা লম পূম্নমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা মমিং পংথোন্দা থোনজিল্লি। ইম্ফাল এয়রপোর্ট ফাওবা লমকা হায়বা মিং অমা হাপচিন্দুনা তৌনীংবা মওংদা পংতৌদা তৌরি। চিঙাখম সনাজাওবনা লুচিংলগা মীতৈ নিংথৌগী মথক্তা হৌরকখিবা খোংজাই লান অদুসু এঙলো কুকি ৱার হায়দুনা ওন্থোক্লি।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি কুকিশিংনা পংইদা ইশিল্লিবশিং অসিগী মায়োক্তা য়েৎপীনবা মীতৈগী থৌনা ফৱবা মীওই য়াম্না তাঙই। পাউচেদা মখোয়না ইরিবশিং অদু লাল্লি হায়দুনা ইবা অমসুং দিস্কসন অৱারগুম্বদা পংয়েৎ য়েৎনবনদি চপ চাবা কান্নবা ফংলোই। কোর্টকী মতেং লৌরগা ফূরুপ অমগী হিষ্ট্রিবু ফৈরেং তুরেং ইশিনবসি ফূরুপ অদুবু মূখৎপগা চপ মান্নে। মরম অদুনা কুকিগী অইবশিং অদু মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। মসি নৎত্রগনা মপুন্সি চূপ্পা জেলদা থমগদবনি হায়দুনা কেস তৌবা চংই। অসুম্না তৌরবদি মখোয়গী লাইরিক হৈবশিং পংই ইবা তোকখ্রগনি। মসি নত্তনা মীতৈশিংনা তূমিন্না অসুম লৈশিল্লবদি অরানবা পরেং লেংশিল্লগা অচুম্বা শকপা হায়বদু ওইখ্রগনি। মতম চানা কেস তৌহৌদ্রগনা মতম থেংমল্লে হায়দুনা কোর্টনা য়ারক্তবসু য়াই। মরম অসিনা হেক য়ারিবমখৈদি অথুবা মতমদা কোর্টকী মতেং লৌহৌবনা চুমগনি খল্লি।

বৃটিশনা মণিপুরদা লান তারক্তুনা মণিপুর মায়থীরবদা, টিকেন্দ্রজিৎ যুবরাজ চাইনাদা চেন্নবা হোৎনখি। মোইরাং তোঞ্জাও কৌবা মহাক্কী মরি মতাসু ওইবা অমনা মহাক্না খঙনবা কবো মচা অমগা লোয়ননা চাইনা চৎপগী লম্বী তাকচগে হায়দুনা মহারাজদগী লুপা লিশীং ৩ (হৌজিক্কীনা ক্রোর অহুম) লৌথোকখি। অদুবু খুরক্কী ঈনা লাই শাবা মোইরাং তোঞ্জাওনা টিকেন্দ্রজিৎকী মতেং পাংবগী মহুৎ বৃটিশ গবর্ণমেন্টকী মতেং ওইনা পাংদুনা যুবরাজবু ফানবা ওইনা হোৎনখি হায়দুনা হিষ্ট্রিদা ইরি। চাইনা চৎপগী লম্বী খুদিংমক থিংজিনখিদুনা যুবরাজ উঙ্খুলদগী অমুক ইম্ফালদা হল্লকখি। ইম্ফাল য়ৌরক্লগা মীতৈ মচা সুবেদার খেলচন্দ্রবু কৌদুনা যুবরাজ মশানা ফাহনজখি। ফারবা টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল অমদি অঙম্বশিং ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। মখোয় অদু কোর্টকী ৱায়েল হায়বা অমা ফাওবা চথদনা হাৎপীখ্রবনি। বীর টিকেন্দ্রজিৎকী দ্রামাশিংদা কনানো মীতৈ মচা অমতংদি থোরকউদনা কলকতা য়ৌনা চেনবা ঙম্বা উকিল অমতংদি নেক্লকউ ঐগী থৱায় কল্লু হায়দুনা চক্লা চক্লা লাউবদু পাবিরিবা খুদিংমকসু তবীরল্লগনি। মতম অদুদা অৱাং নোংপোক্তা উকিল ৬ খক লৈ হায়। মখোয় অদুসু কলকতা মচা ঙাক্তনি হায়। মরম অসিনা উকিল নেকপা অসি কলকতা তন্না চৎনরম্মী হায়দুনা অখঙ অহৈশিংনা তাকপী। হৌজিক্তি মণিপুরদা অহৈবা উকিল কয়ামুক্লা পীকথল্লে। মীতৈ মচাশিংগী মরক্তা ইন্দিয়াগী হায় কোর্টকী জজ ফাওবা ওইখিবা মশীং য়াল্লে। মণিপুরগী বার এসোসিএসননা শিনবী লাংবীদুনা হৌজিক থোক্লিবা লৈবাক্কী লান অসিবু য়েংশিনবীয়ু হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টতা কেস থেংনবিরিবা অমদি হায় কোর্ট অমসুং সুপ্রিম কোর্টতা মীতৈশিংবু এস টিদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবিরিবা অসি অসুক্কী মতিক থাগৎচরি। হিষ্ট্রিদা লান্না ইশিল্লিবা অসিগীদমক কেস থেংনগে হায়বা মীতৈ মচা থৌনা ফৱবা অমতংগা থোকপীরক্লগাদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। মীতৈগী থৌনা ফৱবা কৎথোকপদা মাঙ থাবিরিবা উকিলশিংসু নখোয় মশেল তানবীদুনা নখোয় নখোয়গী হৈজবী খুদিংমক পুথোকপীয়ু। মোইরাং তোঞ্জাওগুম্বা খুরক্কী ঈনা লাই শাবা ফৎত্রবা মীওইশিংদি লৈবাকসিদা লৈহল্লরোইসি। অরোইবদা মীয়াম অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংদা হায়জনীংবদি উকিল হায়বসি তোলোপ চাবা নত্তে অমসুং গবর্ণমেন্টতগী করিগুম্বা মতেং অমত্তসু ফংবা নত্তে। মরম অসিনা কেস চেনবীরিবা এসোসিএসনশিংদা অঙম অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু। শেল ৱাৎপদগী মায়থীখিবা তারবদি মীতৈ পূম্নমক্কী মাঙজবনি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না খন্থবীয়ু। ●

# অগরটলাগী ‘নির্মহল পেলেস’ য়েংলুবদা - (১)

## (রুদ্রাসাগর পাৎকী ইরোলনুংদা শারম্লিবা ‘নির্মহল পেলেস’ অগরটালাদা শারম্লিবা মহারাজ বির বিক্রম্বু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি)

**সৌবাম বিরধজ**

কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ১ (ন্যু য়র নুমিৎনি, অহুল্লকশুবা ঐগী বাংলাদেশকী খোঙচৎনি, (সৈত্যাবতি ঐগী লোয়নবী) গীনা অনীরকশুবা খোঙচৎনি। ঐখোয়গা খোঙচৎ পুল্লিবা ইচানুপী জেশিকাগা কোলেজ অমত্তদা তম্মিন্নবা মমান্নবী অবে সলাম অমসুং মহাক্কী মপা, বারুনি অমসুং মমা রাধাসু য়াওরিবনি। আগরটালাগী হোটেল হেক য়ৌবগা ঐখোয় অনীগী পাস্পোর্টকী ভিজাশিং অমসুং মখোয় অনীগী ভিজা রিনুয়েল তৌননবা হোটেল মপুদা পাউ পীখিবগা, হোটেল মপুনা খুদক্তা মরী লৈনবা মীওইদা পাউ পীখি (ইচানুপী জেসিকা অমসুং অবে মবানিগীদি বাংলাদেশতা রেনুয়েল তৌরক্লবনি)। মীওইশিংদু লাক্লগা ঐখোয় মরিগী পাসপোর্টশিং অমসুং চংগদৌবা শেনফমশিং পূম্নমক শিন্নখ্রে। মীওইশিংদুনা হয়েং ০২/০১/২০১৯ নুমিত্তা নংহৌরগদি হয়েংমক ফংলনি, নংদ্রগদি হংচিৎ তারে, হেক লোইবগা পাউ পীরক্কে হায়রম্মী। হৌজিক নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ তারে হোটেলদা শুম লৈববুদি কদাইদনো অমা কোইথোক্লুসি হায়নদুনা ঐখোয়না লৈরিবা হোটেলদুগী রিসিপসন্দা ছো শিন্নরম্নবা কুমথরকপদা য়াম্না ফজ খ্রবা ফোটো অমা থেৎলিবদুগা হেক মিৎচানরুরে, চংশিল্লগা মুন্না য়েংলুই। ‘নির্মহল পেলেস’ অগরটালা হায়না থারিবা ঈশিং ময়ায়দা শারিবা ফজখ্রবা নিংথৌ কোনুং মহলগী ফোটো অসি মফম কদাইদনো? কয়াম লাপ্পী হংলুবদা হোটেল মপুনা নখোয় মী তরুক ওইরবনিনা খরা চাউবা গাড়ীদা ওইনা চৎপনা ফরগনি মফমসিদগী কিলোমিটর ৫৩ রোম লাপ্পী। হায়ৱেদগী অমুক খুঙ্গং লম্বীদা চৎকদৌবনি, চাওরাক্লা পুং অমা মখায়রোম চংগনি, গাড়ী হায়রসিরা হংলকপদৈ, ঐখোয়না য়ারে হায়খ্রো খঙহনবদগী গাড়ী ফোন তৌখ্রে, হোটেলদুগী গাড়ীনি। ঙাইহাক্কী তুংদা গাড়ী থুংলরদুনা পূম্নমক শিন্নরদুনা নির্মহলগী লম্বীদা থৌরক্লে।

অগরটালাদগী মাধুপুর হায়ৱেদা থৌরক্লগা বিক্রমনগর য়ৌরে, মফমদুদগী লেপ্তুনা শুম থৌরক্তুনা গকুহাগরদা থুংলে, খরা চৎলগা রামা কৃষ্ণ ত্রির্থ হায়না খঙনবা লমলোং অহুম ফাংবা জঙ্কসন অমদা থুংলে। মফম অদুদা রামা কৃষ্ণ হায়র সেকেন্দরি স্কুল হায়না মিংথোনবা অচৌবা স্কুল অমা লৈহৌই। মফমদুদগী হায়ৱেগী শরুক্তা চৎকদৌবা লোইরে, মফমদুদা কিরন পেত্রোল ষ্টেসন হায়না খঙনবা থাও হানফম অমদা ঐখোয়গী গাড়ীদু থাও হাল্লগা খুঙ্গংগী পিক্তক তৌবা লম্বীদা থৌরকপদা ৱাকচীং থা ওইবনিনা ফৌ খাওদোকখ্রবা অহাঙবা লৌবুক্কী চরুখোক্কী শরুক্কা, অনৌবা মনা মশিংনা য়েনিং হুল্লকপগা ইয়ান হেক য়ানশিন্ননা হৌরিবদু লাপ্পা তাম্না শন্দোক্লা উরি। চীংলৈবাক নত্তবনিনা মনা-মশিং থারিবশিংদু য়েংলগা লাকপদা চীংদি নত্তবা লোইরোইননা তোংখৎপা পুমশং শংলবা চা বগান অমা হেক উরুরে। চা বগান্দুগী মরক্তা ঐখোয়গী গাড়ীদু মাগী পন্থুংফম য়ৌননবা লেপ্তুনা চৎলি, য়াইমরপ ওইবা তুরেলগী মথক্তা শাবা উগী থোং অমা লাল্লি। থোংদু মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা মাল্লি, নাকন্দা আর সী সীগী থোং অমা শাবা হৌগৎহৌরে। থোংদুদগী খরা থৌথরক্লগা মেলা গ্রাউন্দ হায়না খঙনবা লমদমদু য়ৌরে, মফমদুদা অয়াম্বা মতমদা মেলা তৌদুনতা লৈ হায়নৈ, মেলা তৌফমদুদা য়েংননবা মীয়াম্না চংফমদা ঙাইনহৌই। উরু উরু লৈরিবা য়াম্না ৱাংবা কোইরোক কোইবা (মেরি গো রাউন্দ) দুদা মীনা চয়োম শানা তোংদুনা শান্নরিবদু গাড়ী মনুংদগী য়েংনা য়েংনা লাক্লগা অচৌবা ‘কালি মন্দির’ লাইশঙ অমা য়ৌরে, লাইশঙ অদুগী মখারোমদা ঐখোয়গী পন্থুংফম ‘নির্মহল পেলেস’ হায়না থারিবদু উরক্লে, গাড়ী খাম্ফমদা খাল্লদুনা ঐখোয় পূম্নমক কুমথরে, নুংথিল পুং ২.১৫ তারে।

অহানবদা ঐখোয় টিকেট কাউন্টর মমাঙদা লাক্লে, মমল মী অমদা লুপা ৪৫০নি, বোট/ফেরিগী মমল লুপা ৩০নি, ঐখোয় তরুক্কী লুপা লিশীং ৩ পীদুনা বোট/ফেরিগা পূন্না টিকেট কক্লে। টিকেট ককফমদুদগী ‘নির্মহল পেলেস’ অদুগী মরমদা ইবা চে অনী/অহুম পীরকই। ঐখোয় তরুক বোট তোংফমদা কুমথরক্লে মদুসু ক্যুনি, গেট মচাদু হাংবগা লাইফ সেফটি জেকেট অমমম পীরক্লে, জেকেট লিত্তবা অমত্তা বোট/হিজাওদুদা তোংবা য়াদে, জেকেট লিৎলগা বোট কাখৎলে, মী শুরদুনা থৌবা হৌরে, ঐখোয়গী টিকেটতুগী মচেৎ অমা লৌশিনখ্রে, মচেৎতুনা মখোয়গী শেন্থুং অমুক কাউন্টরদগী হল্লক্কদৌরিবনি। বোট তোংফমদগী ‘নির্মহল পেলেস’ য়েংবদা পূক্লিং য়াম্না নুংঙাই, য়াম্না ফজরমগনি, পাৎয়াইদা করম্না অসুক ফজনা শারিবনো খল্লি, ঙসাইগী চেদু হাইফেৎ পাদুনা অমুক য়েংই ‘নির্মহল পেলেস’ লৈরিবা মাইকৈ অদোমদা অমুক য়েং তৌরদুনা মিনট ১০ রোম বোট তোংলগা নির্মহল পেলেস য়ৌরে। ওন্থোক্লা ফজখ্রবা পাৎকী ইয়াইথক্তা তাওদুনা লৈবা ‘নির্মহল পেলেস’ ঈশিং ঈপাক্তুদা করম্না শারিবনো !! কংফালদা শাবফাওবা কদাইনো হায়নগদৌবদু ঈশিং মনুংদুদা মতমদুগী নিংথৌ বীর বীক্রম কিশ্বর দেববর্মন মনিক্যা বহাদুরনা চৈচৎ ১৯৩০দগী শাবা হৌরগা চৈচৎ ১৯৩৮দা (চহী ৯ চংনা) শাবা লোইখিবনি। নিংথৌনা মহাক্কী কালেন্থাগী মতমদা পোখ্রাফম/জগোয় শাফম ওইননবা অমসুং কনাগুম্বা য়েক্লবা নিংথৌনা লান্দারকপা মতমদা নিংথৌনা লৈননবা লানবন ওইননবা শারম্লিবা মতমদুগী লানবন্নি ‘নির্মহল পেলেস’ অসি রুদ্রাসাগর পাৎকী ময়াইদা শারম্লিবনি। য়েক্লবনা লান্দারকপা মতমদা মফমদুদা লৈরগদি য়েক্লবা পূম্নমক্লা চঙশিল্লকপদু মাঙজৌননা উরগনি, মফমদুদা চঙশিল্লকপা য়েক্লবশিং য়াম্না লায়না লোইশিনবা ঙল্লগনি খল্লদুনা নিংথৌ মশামক্লা দিজাইন তৌদুনা শাখিবনি। ‘নির্মহল পেলেস’ অদু শরুক অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা ৱেষ্টর্ন থংবা শরুক্তা নিংথৌ অমসুং মহারানিগী অচৌবা তূম্ফম কাশিং, জগোয় শাফম অমসুং মনাই-মশলশিংগী লৈফম ওইননবা পুন্না কা ২৪ লৈ। ইষ্টর্ন মায়কৈদা লান্মী অমসুং অতোপ্পা শিন্মীশিং ময়াম্না লৈননবা কাশিং শেমদুনা লৈ। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩**

১) **“মিৎয়েংগী ৱাংমদা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) **“ৱাশক্লে ইমা নঙগীদমক/ঐখোয়নি অনৌবা যুগকী থোঙশঙবা/শঙগনি ভারতকী মালেম/অমত্তা ওইনা তিন্ননা/”** পীজরিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) **“কামায়নী”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **“পিরাংনা চৈহৌই ঐবু”** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অইবা অসি কনানো?

৫) **“ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী”** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।